**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16.06.2024)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা তকশিনখ্রে।

২) ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরকপা রিফ্যুজিশিংনা কামজোং জিলাগী মীয়ামদা চাউনা চৈথেং পীরে হায়রি।

৩) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- ইরাং নংলবা মফমশিংদা লৈবা লৌফমশিং সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা লৌ উহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে।

৪) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

**অমসুং**

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

**------**

**গভর্নর (এল)ঃ** মণিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুম হঞ্জিনহনবা য়ানবা শিনবীয়ু হায়না রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা

তকশিনখ্রে। নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা রাষ্ট্রপতিগা হকথেংননা উন্নরদুনা রাজ্যপালনা ৱাফম অসি তকশিনখিবনি। তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা শেলগী তেংবাংসু পীবীনবা রাজ্যপালনা তকশিনখি। লোয়ননা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউদা অৱাবা তারবা মীয়ামদসু তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপীনবা রাষ্ট্রপতিদা তকশিনখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসনদসু রাষ্ট্রপতিনা শরুক য়াবীনবা রাজ্যপালনা বার্তন তৌরমখি। রাষ্ট্রপতিনা রাজ্যপালগী ৱাফমবু নিংথিনা তাখি অমদি তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মায় পাকখ্রবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মন্ত্রি মন্দলদা য়াওরিবা মন্ত্রিশিং মায় পাকা ৱাশক লৌবীখিবগীদমক রাজ্যপালনা রাষ্ট্রপতিবু থাগৎখি।

**ঈদ (এল)ঃ** মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদুলজহানা লাকপা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মণিপুরগী মীয়াম মরুওইনা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেল অসিনা হায়- কখোকপগী কুম্মৈ ইদুলজহানা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অখুবা মীৎয়েংদগী লাপথোকহনদুনা পুমমক্কী য়াইফনবা লম্বীদা লমজিংলি। কুম্মৈ অসিনা খাঙবা কনবা, নুংশি চানবা অমদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অফবা মাইকৈরোমদা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবা পুন্সা থাদোক্কুনা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবগী লম্বীদা চংশিনমিন্নরশি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী পাউজেলদা কুম্মৈ অসিনা মীওইবা জাতিগী য়াইফনবগীদমক প্রোফেট ইব্রাহিমনা কৎথোকখিবা অদুবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্কুনা মচিন মনাউ ওইবগী মরী হেন্না চেশিনহল্লশি হায়না ফোংদোক্লি।

ইদুলজহানা লাকপদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা শ্রী

মেঘচন্দ্রনা হায়- ঈশ্বরবু লুনা নিংজবা হজরত ইব্রাহিমনা কৎথোকখিবগী থৌওং অদুবু অল্লাহনা পেনবীরদুনা মচাগী মহুৎতা দুম্বা অমা ওইনা অল্লাহদা কুরবানি তৌখি। শেংলবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা শান্তি লৈবা, তংদু লৈতানা ইংনা চিকা লৈবা, হেন্না চাওখৎপা, হাৎন শুনবা য়াওদবা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইরসনু হায়রি।

শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা, মণিপুর মীতৈ পাঙল ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসন, ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমমেস্কো), ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) অমসুং উরুপ খুনৌ য়ুথ ক্লবনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**কামজোং (এল)ঃ** ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরকপা রিফ্যুজিশিংনা কামজোং জিলাগী মীয়ামদা চাউনা চৈথেং পীরে হায়রি। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- হৌখিবা চহিগী নবেম্বর থাদগী কামজোং জিলাদা চংশিল্লক্তুনা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈরিবা মীওই লিশিং ৫ হেনবা অদুনা মফম অদুদা হান্নদগী লৈজরক্লবা খুঞ্জাশিংদা অকি তুজংবা পোকহল্লে। মরম অদুনা মখোয়বু অথুবা মতমদা মরমদা হলহনখিনবা শিনবীয়ু হায়না নাগাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা সরকারদা তকশিনখ্রবনি।

**আরপিআই (এল)ঃ** আর.পি.আই (অথৱালে)গী নেসনেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাউজমনা হায়রি- মণিপুরগী চহি অমা হেল্লবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা সরকারনা হোৎনগদবনি। মসি মতম চানা লোইশিনহৌদবা তারবদি গনতন্ত্রবু মশক থিহন্নবা মচাক অমা ওইরক্কনি। লোয়ননা মণিপুরগী ইতিহাসপু মশক থিহৌরগনি। মরম অদুনা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু হায়না সরকারদা আপীল তৌরি।

**দিঙ্গো (এল)ঃ** সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- সেকমাই কেন্দ্রগী ইরাং নংলবা মফমশিংদা লৈবা লৌফমশিং সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা লৌ উহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা সেকমাই কেন্দ্রগী ইরাং নংলবা লৈমাখোং এরিয়াদা লৈবা কান্তো লৌকোলদা অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা লৌ পালহনগনি। মসিগীদমক দরকার লৈবা সেক্যুরিতিগী থৌরাং পায়খৎকনি। লৌফমশিং অদুদা ঙসি মন্ত্রিনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখি। মহাকা হায়- কান্তো লৌকোল খক্তা নত্তনা সেকমাই কেন্দ্রগী অতৈ মফমশিংদা লৈরিবা লৌকোলশিংসু দরকার লৈরবদি সেক্যুরিতি মতিক চানা থমদুনা লৌ উহন্নবা হোৎনগনি।

মন্ত্রিগী ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা ৫৩ শুবা সি.আর.পি.এফ, শিখ রেজিমেন্ট অমদি সেকমাই পুলিসকী কাংবু লোয়নখি।

**মেট (এল)ঃ** মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াইহায়রি । ইন্দিয়া মেতিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হায়- মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা অকনবা নোং চুগনি। থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দনা পারপ্তুগীনা ময়াই ওইরপ ফাওবা নোং চুরবা য়াই।

**য়ুহার (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি রিক্তর স্কেলদা ৩.৫ য়ৌনা য়ুহার হাখ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ১ মখায়দা হাখিবা য়ুহার অদুগী ইপিসেন্ত কাংপোকপীদা ওইখি।

**জেদিয়ু (এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মায় পাক্লকখ্রবা জনতা দল য়ুনাইতেদকী এম.পি ১২ গী মনুংদা এম.পি অনি মন্ত্রি হাপ্লকপদা জনতা দল য়ুনাইতেদ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতনা অপেনবা ফোংদোকখ্রে।

দলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহনা সভাপতি ওইদুনা ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম.পি. অনিনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলদা য়াওরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। মন্ত্রি অনি অদুদি-

ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ দেরি মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন অমসুং এগ্রিকলচর এন্দ ফারমর ৱেলফ্যারগী রাজ্য মন্ত্রি রামনাথ ঠাকুরনি।

**ইরাবত (এল)ঃ** ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী ২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ফাউন্দেসন অসিগী য়াইস্কুলদা লৈবা হেদ ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা, ইশাগী পোখোক্তনা নিং তমা চাজবা, মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্বা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রাজ্য অসি মাঙলোমদা চংশিনমিন্ননবা শু-নোম্বগী হৈনবী লৈমিন্নশি হায়না ফোংদোকখি।

**ৱেষ্ট (এল)ঃ** মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসুং ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রালয়গী মখাদা কৈরক্তা লৈবা হেল্প এন্দ সোসিও ইকোনোমি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা অমোৎ অকায়শিং মতৌ করমা অমদি মফম চানা লোইশিনগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা মন্তক ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা অমোৎ অকায়শিং মতৌ করমা লোইশিনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেন ডাঃ উসম দেবেন, এম.এল.এ অমদি মন্তক ভিলেজগী চীফ শরুক য়াখি।

**মেলেরিয়া (এল)ঃ** ঈশিং ঈচাউ থোকখ্রবা মতুংদা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদা মতৌ করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা মীপুম তিংনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা বিজয় গোবিন্দ গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা নম্বুল মপালদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর তাকয়েল খোঙবান্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেলেরিয়া বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং, আশা ৱার্করশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি লমদমদুগী মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াখি।

**জিরি (এল)ঃ** জিরিবাম চাইল্ড ৱেলফ্যার আশ্রম, জিরিবামনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা জিরিবামগী চিংদোং লৈকাইদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুগা মরী লৈননা চাইল্ড ৱেলফ্যার আশ্রম টি.আই. প্রোজেক্টকী প্রোজেক্ট দিরেক্তর- কে. ধরমেন্দ্রনা হায়- ইরাংনা মরম ওইদুনা জিরিবামগী মোংবুং খুলদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা চিংদোং লৈকাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবা অসি য়েংলগা লেমা লায়েংবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা লায়েংখিবা মীওইশিংদা হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইরৈকাই পুখৎ লুপ (ইপুল) নিংঙোম থোংজাউ পেবিয়া পন্দিৎ লৈকাইনা ইম্ফাল ইষ্টকী চিফ মেদিকেল ওফিসারগা খুৎশমদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা নিংঙোম থোংজাউ পেবিয়া পন্দিৎ লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মফম অদুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই ৭২ লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি।

থৌরম লোইশিল্লকদা হন্দক চহিগী ক্লাস টেন অমদি তুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোই ২৮ দসু মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা ইপুলনা দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগা খুৎশমরগা লম তু শেংবা অমসুং তুরেল তোর্বান শেংদোকপগী থৌরম অমসু ঙরাং পাঙথোকখি।

**মনা (এল)ঃ** কুমশি চহিগী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ভ পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোইশিং অমসুং জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা মশান্নশিংদা তকমান লৌরকখিবা কৈরাও বিত্র খুলগী শান্নরোইশিং মনা পীদুনা পকিং থৌগৎখ্রে। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন, লৌরেম্বম রামেশ্বরনা হায়- মণিপুর, হৌজিক অরুবা তানফম অমদা লৈরি, থোক্লিবা ইরাং অসিদা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা তোখায়

তান্নবগী ৱাখল্লোন থাদোকশি, অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরবা খক্তদা ইরাং অসি লোইশিনবা ঙমগনি।

**ওকপা (এল)ঃ** কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন অমসুং হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা কৈরক্তা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কৈরক য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উশম দেবেন এম.এল.এ শরুক য়াখি।

**মপা (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ইন্তরনেসনেল ফাদরস ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। নোনে জিলাদসু থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোকখি। অপোকপা মপাবু নিংশিংদুনা চর্চশিংদা লাইশোল সভানচিংবা পাঙথোকখি। মচাশিংনা মপা ওইবশিংদা খুদোল পোৎ পীবা অমদি অথুম অহাউ পীজবনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**বোদি (এল)ঃ** ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা তাদুনা লৈরম্বা থেংনরে। পুলিসকী পাউনা হায়- মীওই অদু মতৌ করমা শিবনো হায়বা চপ চাবা খঙদ্রি। মণিপুর পুলিসনা সু মোতু কেস অমা লৌখৎখ্রে। অশিবা হকচাং অদু মশক খঙদোকবগীদমক রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। কনাগুম্বনা থা অসিগী ১৯ ফাওবদা মশক মমিং তাক্লদ্রবদি হৌনবী মতুংইন্না মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রগনি হায়না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

**অমিত সাহ ঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

জম্মু কাশ্মীরদা অমরনাথ য়াত্রাগী মাংওইননা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী ফিভমসু গৃহ মন্ত্রিনা হন্না য়েংশিনখি। জম্মু কাশ্মীর য়ুনিয়ন তেরিতোরিদা হন্দক্তা থোকখিবা টেরর এটেক অদুগী মতাংদসু ৱাফম কয়া কুপা খন্নখি। কাশ্মীর ভেল্লিদা এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চৎথদুনা জম্মু দিভিজনদা

তেরোরিষ্টশিংগী প্লান অমত্তা মায় পাকহন্দনবা গৃহ মন্ত্রিনা মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা পাউতাক পীখি। মহাকা হায়- অরৈবা উপাই অমা হেক্তা শিজিন্নদুনা তেরোরিষ্টশিংবু মরু ফংনা মাংহনবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদি সরকারগী পান্দমনি।

ঙসিগী মীফম অদুদা নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবাল, জম্মু কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহা, কেন্দ্রগী হোম সেক্রেতরি আজয় ভালা অমদি অতৈ লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

**সিক্কিমঃ** নোং কন্না চুবা অমদি চীং নিংখায়বদগী সিক্কিমগী লাচুং মঙ্গান জিলাদা পন্দুনা লৈরিবা লমকোয়বা মীওই লিশিং ১,২০০ অদু পুথোরকবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

মী হোন্দোকপগী থবক অদু রাজ্যগী মন্ত্রি সেরিং তেন্দুক ভুতিয়ানা য়েংশিল্লি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননসু অৱাবা নংলবা মীয়ামদা পীবা য়াবা তেংবাং পীরি।

মরক অসিদা সিক্কিম সরকারনা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং অদু হোন্দোকপগী থবক্তা মতেং পাংবিনবা ইন্দিয়ন ইয়র ফোর্সতা হায়জখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি প্রেম সিংহনা খা থংবা সিক্কিমগী য়াগানদা লৈবা মাজ্ৱা খুলদা চৎতুনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** শিংজমৈ কাংখুৎনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জাবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কৈশামথোং কেন্দ্রনা থোংজ্ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৯-৪ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিফতিন বোইজ সোক্কর তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচশিংদা- ওল এফ.সি উরিপোকনা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব পোরোমপাৎপু পাঞ্জল ১-০ দা

থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতা এল.এস.আই.সি লল্লাই অমসুং এফ.সি.বি থোংজ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। উরিপোক এফ.সি, উরিপোক অমসুং রোমেন এফ.সি ওইনাম থিংঙেল পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**রেষ্টলিং (এল)ঃ** নেসনেল রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ উত্তরাখন্দগী উধান সিংহনাগরদা মথং থাগী ৫ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। মসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী চহি ১৭ মখাগী শান্নরোইশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সিন অমা থা অসিগী ২২ দা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। ইভেন্টশিং অদুদি- ফ্রি ষ্টাইল, গ্রেকো রোমান ষ্টাইলনি। অকুপ্পা মরোল মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসনদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

------